# ড: য়ুম্নাম মহেন্দ্রদা মীতৈগী পাউখুম

*-ৱাংখেমচা চিংঅলেন*

**'মণিপুরী কলচরগী ঈচেল অনি'** হায়বা Article অমা ইকাই খুম্নরবা অহল ইবুংঙোগী ড: য়ুম্নাম মহেন্দ্রনা নাহারোলগী থৌদাংদা তাং ২১-১-১২দা ফোংবিরকপা অদু মুন্না পাজরে অমস্যুং খংজরে। অইবনা ইজরিবসি অহল ইবুংঙোগী Article অদুগী পাউখুমনি। পাউখুম পীজরিবা অইবা অসি কংলৈপাক হিস্তোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসার্চ সেন্টর, সগোলবন্দগী প্রসিদেন্টনি।

কংলৈপাক(মণিপুর) দা লীচৎ(ধর্ম্মা) অনি অদুগী অহানবনা **'স্নামহি লাইনিং'** হায়না মৈতৈনা কৌই, অদুগা অনিশুবা লীচৎ পামহৈবা গরিবনিৱাজ মতম্দগী ১৮শুবা চহিচাদা হৌরকপা অদুনা রামান্দি নত্রগা বৈষ্ণব কৌবিগেরা কৌনিংবা অমা কৌবিয়ু, মী খরনা হৌজিক চৎপিরিবা অদুনি।

অইবনা হৌজিক অহল ইবুংঙোগী মফমদা ৱাহং কয়া হংনবা থোরকলিবাসি অহানবগী লীচৎ (ধর্ম্মা) অহল ইবুংঙোনা **'স্নামহি লাইনিং'** কৌবা অদুগা কংলৈচা ঐখোয়নদি সনামহী লীচৎ কৌজবা অসি ১৬শুবা চহিচাদা 'লাইনিং অসি বেঙ্গলদগী লাকপনি' কংলৈপাক্কী ORIGINAL নত্তে হায়বা অদুনি।

অহল ইবুংঙোনা কংলৈচাশিংগী সনামহী লীচৎ অসি বেঙ্গলদগী লাকপনি হায়না শেংনা হায়বিরবনিনা অইবনা হংজরিবা ৱাহংশিং অসি অহে অশিং কয়া তন্নবিরগা লাইরিক কয়া নৈনবিরগা শেংনা খুন্নবা হোৎনবিয়ু।

১বা ৱাহং- অহল ইবুংঙোগী 'স্নামহি' হায়বা ৱাহৈ, ৱাহৈ অসিগী লোনচন(spelling) অসি করম্না পুয়াদগী লৌথোক্লপিবনো, করম্না পুয়াদগী ফংবিবগে?

২শুবা ৱাহং- অহল ইবুংঙোগী য়েলহৌমী কংলৈচাশিং অসিগী ঈরুপ, কাংলুপকী মমিং অসি করিনো? **'মৈতৈ'** কৌবরা মীতৈ কৌবরা শেংনা খুন্নীয়ু? **'মৈতৈ'** কৌই হায়না খুন্নীনিংলবদি মসিগী হৌরকফম করিনো? পুয়ানচিংবা পুথোকপিদুনা খুন্নীয়ু।

৩শুবা ৱাহং- অহল ইবুংঙোনা ১৬শুবা চহীচাদা **'স্নামহি'** অসি বেঙ্গলদগী লাকপনি হায়না হায়বিরে, হায়বদি **'স্নামহি'** লীচৎ অসি ভরতকী অৱাং অমস্যুং অৱাং-নোংপোক লমদমদগী লাকপনি, কংলৈপাক(মণিপুর)গী ORIGINAL নত্তে হায়বনি। অদু ওইরবদি ভরতকী মরু ওইবা RIGVEDA, YAJURVEDA, ATHARVAVEDA, VISHNU PURANA, BHAGAVATA GEETA, MAHABHARATA LITERATTURE,MANU SMRITI, অসিনচিংবা ভরতকী করিগুম্বা ধর্ম্মগী-LITERATURE অমদি SCRIPTURE দা অহল ইবুংঙোগী **'স্নামহি লাইনিং'** অসি মমি তবা অমদি ৱাহৈ ৱাতসি য়াওবা অমত পুথোক্লপিয়ু। **'স্নামহি লাইনিং'** সি ভরতকী হৌখিবা মরম্না মশানা মখোয়গী লমগী Scripture নত্রগা ধর্ম্মগী Literature দা য়াওফম থোকপনি।

মীতৈসি কিৱাত (কিৱাৎ) নি হায়না মৈতৈ হিন্দুশিংনা তেয়না হায়জিল্লী। মসিদা মীতৈশিংনা মীতৈ কিৱাত নত্তে, কিৱাত হায়বা ৱাহৈসিদি সংস্কৃট Origin নি, Veda কয়াদা, Mahabharata কী Literature দা য়াওবা ৱাহৈনি, কিৱাতদি Indian Aryan শিংনি, মীতৈদি Eastern Mongoloid নি কিৱাত শুরুওই ওইফম থোক্তে হায়না খুমজখিবনি।

ঐখোয় মীতৈনা হিন্দুশিংনা হায়রকপা শেংনা খুন্না জম্বগুম্বা অহল ইবুংঙোনা মথক্কী অহুমস্যুবা ৱাহং অসি Sanskrit scholar কয়া য়ারবদি Sanskrit Expert Brahmin কয়া তনবিদুনা নিংথিনা খুন্নবা হোৎনবিয়ু।

৪শুবা ৱাহং- অহল ইবুংঙোগী Article অদুদা পনবিরকপা পুয়ানি হায়বা **'পাখংবা নাওয়োম'** হায়বা লাইরিক অদু অইবগী Library দা লৈরমদুনা, পুয়ানি হায়বা লাইরিক অদুগী মতংদা অইবনা খুমজরিঃ

লাইরিক অদুগী লামাই অহানবদা ইহৌ হৌবা ময়েক অদু 'ꯑꯪ' নি। মমিং **'অঙ্গি'** কৌবনি। সংস্কৃট ৱাহৈনি। হেক মথংগী

ৱাহৈ অদুনা **‘লাইয়িংথৌ’** নি। অহান্বা পরেং অদুমক্তদা **‘য়িখুৎ ১০ মানা খুরক্লা য়িচরককে’** হায়না ইরি। মসিনা তকপাদি পুয়ানি হায়রিবা **‘পাখংবা নাওয়োম’** হায়বা লাইরিক অদু ২০শুবা চহীচাগী অঙান্বা শরুক্তর কৈলে পুয়া মান্নবা শেমজিন্না লাইরিকনি তকপনি। মথক্কী **‘পাখংবা নাওয়োম’** অসিগা লোইননা **‘লৈমরেল নাওয়োম’** হায়বা লাইরিক অমসু অইবগী Library দা লৈরমই। **‘লৈমরেল নাওয়োম’** অসিসু মথক্কী অসিগা চপ মান্নে।

৫শুবা ৱাহং- ‘স্নামহি শন্থোংদা লাই নিংদুনা লৈ হায়বগী শন্থোং লাইনিংথৌ কৌই। ইমুংদা লাৎলগা ইমুংগী মীওই খুদিংমক্না য়াইফনা লৈননবা স্নামহিনা লাই নিংবিবনি।’

মথক্কী ৱাফম অসিবু অহল ইবুংঙোনা কদাইদগী খঙবিরকপনো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে? অহল ইবুংঙোনা **‘স্নামহি’** লীচৎ বেঙ্গলদগী লাকই হায়রবনিনা বেঙ্গলগী ধর্ম্ম লাইরিক্তা য়াওব্রা? ফজনা খুম্মীরকউ। খুম্মীবদা খরা অৱাবা থোক্লবদি থংনবা য়ুমগী অহল অমদা অচুম অরান তনবিয়ু।

৬শুবা ৱাহং- ‘লাইনিং অসিগী মতু ইন্না মৈতৈগী সলাই তরেৎমক অতিংক্কেনা মপা ওইরগা তাওবী লোইনাইনা মমা ওইরগা পোকই’ অহল ইবুংঙোনা অসুম্না ইবিরিবসি বেঙ্গলগী লাইরিক্তগী ফংবিব্রা? কদাইদগী ফংবিবনো?

মথকতসু হংজখ্রে, অমুকসু হন্না হংজরি, অহল ইবুংঙোনা ৱাহৈ পরেং খুদিংগী **‘মৈতৈ। মৈতৈ’** হায়না ইবিরিবদু অচুম অরানগী মতাংদা ৱাখল খনবিরব্রা? খনবিরগা চুমই হায়দুনা ইবিরকপা ওইরগদি, অহল ইবুংঙোসু ওজাগী শিনফমদা লৈবিরম্মনি খংবিরমগনি খল্লি, চহি ৫০ মুক্কী মমাংদা **‘মীতৈলোনগী অনিশুবকপদা অম্নবা লাইরিক’, ‘মীতৈলোনগী ব্যাকরণ অহানবা’** অসিনচিংবা লাইরিক কয়া অলমই হায়বসি নিংশিংবিব্রা?

পুম্নমক অসিদগী ঈ কাংলুপ অসিগী মমিং **‘মৈতৈ’** হায়বা ৱাহৈ অসি ২০শুবা চহীচাদা মপান্দগী লাকপা মী কাংলুপ অমনা শেমজিনলকপা অমসুং চৎনবা হোৎনরকপনি হায়বসি য়াবিনিংদব্রা?

৭শুবা ৱাহং- ‘মণিপুরী কলচরগী অনিশুবা ঈচেলদি ১৮শুবা খৃষ্টগী চহিচাদা মণিপুরদা গরিবনিৱাজনা পানবা মতমদা চংলকখি। লাইনিং অসিদি ভরক্তী ওইবা লাইনিংনি। অহানবা ঈচেল হায়বদি মৈতৈ লাইনিংগী মতৈগুম্না এসিয়াগী শাজৎ অমদি আইদোলোজী লৈতে।’

মথকত্র হায়রিবা অহল ইবুংঙোগী ৱাফম অসি ইবদা শোয়বা খরদি উরে অদুবু হায়নিংলিবদি ‘মৈতৈ লাইনিংগী’ হায়বদি মীতৈগী সনামহী লাইনিংগী আইদোলোজী লৈতে হায়বনি।

মসিবু, হায়রিবা ৱাফম অসিবু, অহল ইবুংঙোনা পুয়াদগী নত্রগা অহল ইবুংঙোনা পামজরিবা VEDA, PURAN নচিংবদগী অরেপ্পা খুদম (EVIDENCE) পীদুনা, অরেপ্পা ওইনা (প্রমান তৌবা) জগদ্রা? মুন্না খন্থবিয়ু।

ৱাহংদি য়াম্না হংজনিংঙই লৈখ্রে, অদুবু শাংমননবনি। মতং অসিদা ৱাহং হংবা লেপচরে।

ৱারেং অসি লোইশল্লকপগা লোইননা, অইবনা লৈপাক মীয়ামগী মফমদা নোল্লুকনা হায়জনিংবদি- মরম চাদনা মী কাংলুপ অমগী লীচৎ (ধর্ম্ম) দা শীংনবা থাদোকপিয়ু।

মীতৈ কাংলুপতি মালেমগী খ্বায়দগী লিরবা মী কাংলুপনি। লীচৎ (ধর্ম্ম) গী মতংদসু মালেমগী অতৈ মী কাংলুপশিংদগী সুপহন হন্থদে।